হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, নবেম্বর ০৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২২০শুবা মশীং

# ৱাটর ইজ লাইফ

## মণিপুরদনা ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তা তৌবা

ঈশিংনা মীওইবগী থৱায়নি। মীওইবা খক্কী ৱাফম নত্তনা থৱায় পানবা পূম্নমক্না হিংবদা ঈশিং তঙাইফদবা লৈ। মনা-মশিং অমসুং মহৈ-মরোং পান্বীদা ফাওবা ঈশিং চঙই। ঈশিং য়াওদ্রবদি য়াদে, হিংবা ঙমদে। পূম্নমকসিদগী হায়রকপা ওইরমগনি ‘ৱাটর ইজ লাইফ’। অদুগা ৱাহৈশিংসিমক অকক্নবা অরেপ্পা মফম অমা খক্কী নত্তনা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পুমচুম চুল্লবা ৱাফম অমসু ওইরিবনি। অদুনদি মীওইবা খুন্নাইনা ঈশিংগীদমক য়াম্না চেকশিনবা অমসুং অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরিবনি। থোইদোক হেন্দোক্না লৈবাকসিগী ওইনা য়েংলবসু মণিপুর কংফালগী শরুক্না মায়কৈ মরিমক কোয়শিনবা ষ্টেটনি। ঈশিং লম্বী লৈতে। অচৌবা ঈশিং (সমুদ্র) লৈতে। হায়রিবা মরম অনীসি খক্তদা য়েংলুরগসু মণিপুরগী মীয়াম্না মরু ওইনা ষ্টেট লৈঙাক্না মণিপুরদা ঈশিং মরাং কায়হন্নবগীদমক, ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতনবগীদমক ঈশিং য়োক্তুনা অমসুং লিদুনা থম্নবগীদমক মথৌ তাবা থবক পূম্নমক মতম অমসুং শেল চঙলবসু পায়খৎকদবনি, পাঙথোক্কদবনি। থবকশিংসি পাঙথোক্লগদি ষ্টেটসিগী ঈশিংগী মথৌ তারকপা থবক-থৌরমশিংদা মসিগী অৱাৎপগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরোইদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদি তঙাইফদনা তৌগদবা থবকশিংসিগী মায়োক্তা অমসুং মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈরে হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইররোই হায়নীংই। চহী খরগী মমাঙ ফাওবদা লৈরমখিবা ষ্টেটসিগা হৌদোকমিন্নরকখিবা নেচরেল ৱাটর বোদিশিং ওইরম্বা পাৎশিং কদাইদা চৎখ্রবগে? য়ূমথোঙ য়ৈনা লৈনরম্বা লন্নাই পুখ্রি, লৈকায় অমসুং খুলগী ওইবা অচৌবা পুখ্রিশিং কদাইদা চৎখ্রবগে? মসিগী মথক্তা অকক্নবা অমসুং মশীং য়ামদনা লৈজরিবা তুরেলশিংগী ফীভম্না করি ওইরিবগে? পূম্নমক ৱাটর ইজ লাইফ হায়বসিবু মথক-মখা থোক ওন্থোক্লগা ওন্ন-তৈননা তৌরকপা থৌওং ঙাক্তনি।

ওইরিবা ফীভমশিং অসিগী মথক্তা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অকোয়বগী ফীভমশিংদগী মায়োক্নহল্লক্লিবা গ্লোবেল ৱার্মিং অমসুং ইকোলোজিকেল ইমবেলেন্সকী ফীভমশিংনা নোংজু-নুংশাগী খোঙচৎ ফাওবা কায়হল্লক্তুনা অচৌবা চৈথেং পীবা হৌরক্লবনি। মসিমক্না কুমসিগী লৌউ পান্থাদা ঈশিং লৈরে হায়দুনা লৌ পান্নরুরগা ফৌ শাৎলমদাইদা ঈশিং খৌগংনখিবদগী অয়াম্বা লৌকোনশিংগী লৌবুকশিংদা ফৌ শাৎখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা কুম অসিগী ফৌথোক্কী চাং হন্থরকপদা মাঙজগদোইসি ফীভমসি মায়োক্নরিবা লৌপু অমসুং লৌমীশিং অদু খক্তমক ওইগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং ফাওবা চোঙথোরক্লিবনি। হন্দক্কী ফীভমসি মথংগী লৌউ পান্থা খক্তা নত্তনা মথং-মথং শমথরক্তুনা মখা তানা মায়োক্নরক্লরোই হায়বসু পূক্নিং লূম্না হায়বা ঙমদ্রিবনি। মরমশিং অসিনা অসিগুম্বা ফীভমসি মখা শাংথনা মায়োক্নহল্লকপা অচুম্বা ওইরোই। মসি ওইরগদি হৌজিক মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না কৈদৌবা তাবগে? অহানবদা নোংথক্তগী তারকপা/চুরকপা নোং খক্তদগী নত্তনা থৱায় ওইরিবা ঈশিং ফংফম অতোপ্পা লৈতে হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙগদবনি। তোঙান-তোঙানবা পান্বৈশিং শীজিন্নদুনা লৈনুং হুৎলগা ঈশিং চিংখৎলগা শীজিন্নবা ওইরবসু ঈশিংদু নোংথক্তগী তারকখিবদগী তুংশিন দুনা লৈহৌবশিং ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা নোং চুরক্তবা/তারক্তবা মতমদসু মথৌ তারকপদা শীজিন্ননবা ৱাটর বোদিশিং চীং অমসুং তমগী মফম পূম্নমক্তা মরাং কায়না শেমগৎকদবনি। তম্পাক্কী লমদা কম্যুনিতি হোল (মীপূনশঙ/মীতিনশঙ) গী তঙাইফদবা লৈবদগী পাক্তক্না শাগৎনরিবা অসিদগী ৱাটর বোদিশিং শেমগৎপনা হেন্না মরু ওই হায়বা ৱাখল্লোন চেনগদবনি। অদুগা মসিগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং পন্থদনা পায়খৎকদবনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদি তুরেল খরা লৈরিবা অসিগী মনাকপু নৎত্রবদি মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা ফাওবা মৈ মূখৎনবা ঈশিং লৈতবগী খুদোং চাদবশিং মায়োক্নবা হৌরক্লবনি। লৈঙাক্না লম্ফেলদা শেমগৎকনি হায়রিবা ৱাটর বোদিগী থবক খোঙজেল থুজিলহল্লু। মসিগা চপ মান্নবশিং দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা শেমগৎলু। সব দিভিজন অমদা ফাওবা ৱাটর বোদিশিং মরাং কায়না থম্মু। ঈথৈ লৌখোংসু নীংথিজনা শেম্মু। মতমদুদা মণিপুরবু সিঙ্গাপোর ওইহনগনি হায়রিবদুগী মথক্তা সনা, মনি-মুক্তানা পুময়োম য়োম্লবা ষ্টেট অমা ওইরক্কনি। ‘জ্বেল ওফ ইন্দিয়া’ হায়রম্বদুগী চপ চাবা ৱাহন্থোক লৈরক্কনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **“ৱাখলগী লৈকোল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **“থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) **“ৱাকৎ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) **“জনান্তিক”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?
৫) **“অওনবা সমাজ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মীতোপ চঙশিল্লকপগীদমক্তদি মীপাইনৈ, ইনভেসিভ স্পেসিসশিংনা লান্দাশিল্লকপগীদি থোইদোক্লা নাচুংনদে

## খা-অমেরিকাদগী কম্মন রাগৱীদনা য়ুরোপ্তা লান্দাশিল্লকপদা সাইন্টিষ্টশিংনা মীপাইরকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

ইনভেসিভ স্পেসিস নৎত্রগা এলিয়ন স্পেসিস হায়রগা অতম্ননা কান্নবা পীগনি নীংদুনা নৎত্রগা পামদবা থৌওং অমনা পুরক্তুনা অনৌবা ইনভাইরনমেন্ট অমদা হিংলবা নোন-নেটিভ/ইগজোটিক ওইবা জীববু খঙনৈ। মণিপুরগী লৈহাওদসু অসিগুম্বা ইনভেসিভ স্পেসিস কয়ানা খুন্দাররি। পান্বীগী কাঙলূপ্তসু কয়ানি; মখোয় খরগীদি চন্নফম লৈ অদুগা অতৈশিংনা চন্নফম ইরৈ লৈতে; অদুবু মখোয় অনীমক্না লমদমসিদা হান্না হৌজরম্বা ইন্দিজিনস ওইবা পান্বীশিংদা চৈথেং পীদবদি নত্তে। চন্নফম লৈরিবা পান্বীশিংগী মনুংদা পাখং লৈতোন, লোম্বা, হৈক্রু, উ-থুম, হৈমাং, য়োংচাক্লচিংবা য়াওরি; অদুগা চন্নফম ইরৈ লৈতবশিংদনা উতোং লৈ, য়েরূম লৈ, নোংবান লৈ, কাম্বীরৈ, শমপকপী, খোংজাই নাপিনচিংবা য়াওরি। *(International Journal for Innovative Research in Science & Technology,* Volume 1, Issue 12, May 2015; Th. Bhogen Singh and et al./ থিজিনবা অসিদা অসিগুম্বা ইনভেসিভ প্লান্ট ১২৭ খক পুথোকপা ঙমখি।) অসিগুম্বা ইনভেসিভ প্লান্টশিং অসিনা লমদম অসিগী ইকোলোজিখক্তদা অকায়বা পীবা নত্তনা শেন্মীৎলোন অমসুং খুন্নাইরোলদসু অকায়বা পী হায়রি।

হৌজিক হৌজিকমক Common ragweed *(Ambrosia artemisiifolia)* হায়রিবা পান্বী অসিনা খা-অমেরিকাদগী য়ুরোপ্তা কন্না লান্দাশিল্লক্লি। অদুগা পান্বী অসিনা লৌউ-শিংউ, খুন্দা-লৈতাবনচিংবা থবকশিংদা অপনবা পীরি। পান্বী অসিনা মপান শারকপা মতমদা মাগী পোলেন (লৈরিক) শিংনা শাথীবা এলর্জি পোকহনবা ঙম্মী, অদুনা অস্মা লৈরবা মীশিংদদি হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওই। পান্বী অসিনা অসুক থুনা শন্দোরক্লিবা করিগীনো হায়না নোর্ৱেজিয়ন য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (এন টি এন য়ু) য়ুনিভর্সিটি ম্যুজিয়মনা থিজিল্লুবগী পাউদম অমা “সাইন্স এদভান্সেস” তা ফোঙদোরক্লি। প্রোফেসর ওফ ইভোলুস্নরি জীনোমিক্স, Michael D. Martin না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ইনভেসিভ স্পেসিসশিং অসি বাইওলোজিকল দাইভর্সিটিবু শোকহল্লিবা মরু ওইবা ফেক্টর অমনি। ইন্টরগোভর্ণমেন্টল সাইন্স-পোলিসি দাইভর্সিটিদা অকায়বা পীরিবা শাথীরবা থ্রেট মঙাখক মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে। মখোয়গী মকোক্তা লৈরিবনা লম শীজিন্নবগী মওং হোংলকপা, অনীশুবদা রিসোর্সশিংবু হকথেংননা শীজিন্নরকপা, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং পোল্যুসননা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবনি। মঙাশুবা অসিনা মীয়াম্নদি ইখন খন্নরুদবা অদুবু সাইন্টিষ্টশিংনদি মীপায়বা পোক্লরিবা এলিয়ন স্পেসিসশিং অসিনি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈঙাক্না রেবিট য়োকপবু থিংবগী শক্তম অমা

অসিগুম্বা পান্বী য়াওনা শাশিংগী এলিয়ন স্পেসিসশিং অসিনা মফম অমদা হান্না লৈরম্বা স্পেসিসশিংবু মাঙহনবা ঙম্মী। করিগুম্বা মতমদা মখোয়না হান্না লৈরম্বা স্পেসিসশিংবু চাথোকই অদুগা করিগুম্বদনা মখোয়না হান্না লৈরম্বা স্পেসিসশিংদুগী চিঞ্জাকপু চাথোকই। এলিয়ন স্পেসিসশিংদুনা হান্না লৈরম্বা ইন্দিজিনস স্পেসিসশিংগী লৈফমশিং মুনখি অদুগা লান্দাশিল্লক্লিবা স্পেসিসশিংগী মতৌগুম্না ইন্দিজিনস স্পেসিসশিংনা ধারা-নালা শন্দোকপা ঙমদে। খুদম ওইনা, হৌদোংশিংসি মালেমদা উচেকশিং অমসুং অতোপ্পা শাশিংদা কন্না চৈথেং পীরিবা স্পেসিস অমনি। য়ু এস এদা চহী খুদিংগী হৌদোংশিংনা উচেক বিলিয়ন মরি ফাওবা অদুগা মমেল বিলিয়ন ২০ দগী হেন্না হাৎলি অদুগা নোরৱেদনা লম হৌদোংশিংনা উচেক মিলিয়ন তরেৎমুক হাৎলি হায়রি।

অতোপ্পা অমরোমদনা, ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ুরোপিয়ন রেবিট *(Oryclolagus cuniculus)* অসি অচৌবা সমস্যা অমা ওইরক্লি। নেসনল জিওগ্রাফিককী আর্টিকল অমগী মতুংইন্না কুমজা ১৮৫৯ দা Thomas Austin কৌবা শেঞ্জাও পায়বা অমনা শাদানবগী থবক্তা শীজিন্ননবগীদমক য়ুরোপিয়ন রেবিট ১৩ খক মাগী পাক চাওরবা ইষ্টেটতা থাদোকপা হৌরকখি। চহী ৫০গী মনুং খক্তদা ইনভেসিভ রেবিট অসিনা ওষ্ট্রেলিয়া শিনবা থুংনা শন্দোরকপা ঙমখি। হৌজিক্তি মহাদেশ অসিদা রেবিট অসি ৱাইল্ড ওইনা মিলিয়ন ২০০ মুক লৈরে হায়রি। অসুক য়ামখ্রবা রেবিটশিং অসিনা মহৈ-মরোংশিং মাঙহনবতা নত্তনা, নাপি-শিংবীশিংবুসু চাথোকখিদুনা সোইল ইরোজন থোকহল্লি অদুগা নেটিভ প্লান্ট অমসুং এনিমেল স্পেসিস কয়াবুসু মাঙহল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদগী কন্নবগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈঙাক্না রেবিট য়োকপশিংবু দোল্লর ৩০,০০০ ফাওবগী অচৌবা ফাইন থিহল্লি।


খা অমেরিকাদগী য়ুরোপ্তা লান্দাশিল্লক্লিবা কম্মন রাগৱীদ

মতৌ অসুম্না, কম্মন রাগৱীদনসু য়ুরোপতা লান্দাশিল্লক্লি। খা অমেরিকাগী টেম্পেরেট রিজনশিংদা হৌরকফম ওইরিবা কম্মন রাগৱীদ অসি য়ুরোপ্তা পুশিল্লকপা মরূ-মরাং (সীদ) শিং অমসুং শগোলগী মচিঞ্জাকশিংদা য়াওরকপা মরূ (সীদ) শিংদগী য়ুরোপ্তা কুমজা ১৮০০গী মতমদগী শন্দোরকপা হৌরকখিবনি। অদুবু হৌখিবা চহী খরসিদা অঙকপা মওংদা মহাদেশ অসিদা য়াম্না থুনা শন্দোরকখি। ঙসিদি কম্মন রাগৱীদকী মরুশিং য়াওরবা য়েন-ঙানুগুম্বগী মচিঞ্জাকশিংনা মরু ওইনা শন্দোরকফম ওইরি। অতোপ্পা এলিয়ন স্পেসিসশিংদি ইশন শন্দোরকপা ঙমদে। মরমদি মখোয়না অনৌবা ইনভাইরনমেন্টকী ফীভমশিংগা চুশিন্ননা হিংবা ঙমদে। মসিগী মরু ওইবা মরম অমদি কম্মন রাগৱীদশিংগী জীনশিংনা থোকহনবনি হায়রি।

NTNU য়ুনিভর্সিটি ম্যুজিয়মগী থিজিন লূপ অসিনা কম্মন রাগৱীদকী স্পেসিমেন ৬৫৫দা য়াওরিবা জিনেটিম মেটরিঅলশিংদা য়েংশিনখি। স্পেসিমেন ৬৫৫ সিগী মনুংদগী ৩০৮দি হর্বেরিয়াদা মতম কুইনা লীদুনা থম্লক্লবা পান্বীশিংদগী ফংখিবনি। মখোয়সিদগী খরা অমদি য়ুরোপ্তা অহানবগী ওইনা চঙলকখিবা মতম হায়বদি ঙসিদগীনা চহী ১৯০গী মমাঙদা খোমজিনখিবা পান্বীশিংনি। য়ুরোপকী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম্না লায়না পোকহনবা ঙম্বা পেথোজেনশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা জিনশিং শেমগৎলকপদা হায়বদি জিনশিংদা ম্যুটেট তৌরকপদা মতেং পাংই হায়না NTNU য়ুনিভর্সিটি ম্যুজিয়মগী ইভোলুস্নরি জিনেটিক্সকী এক্সপর্ট Vanessa C. Bieker না ফোঙদোক্লি। য়ুরোপ্তা, কম্মন রাগৱীদ অসিনা লোকল থ্রেটশিংদা হেন্না রিজিষ্টন্ট ওইবগুম তৌই। দারৱিনগী নেচরল সিলেক্সন অসিগী মতুংইন্নসু হেন্না কনবা (হার্দ ওইবা) পান্বীশিংনা অথোৎপা পান্বীশিংদগী হেন্না খুদোংচাবা ফংই অদুগা য়াম্না হেন্না থুনা ধারা শন্দোকপা ঙম্মী। ফীভম অসি মণিপুরগী সিরোই চীং অমসুং জুকো ভেলিদা হৌরিবা লিলিশিংনা থেংনরি; অপীকপা ৱাগী স্পেসিস (তেনৱা হায়রগা খঙনরিবা) অমনা লান্দাশিল্লকপা অসিসু লিলিশিং অসিগী মমি শামথরকপগী মরম অমাওইরিবনি।

কম্মন রাগৱীদ অসিনা শন্দোরকপগী অতোপ্পা মরম অমদি মসিনা চরা/ধারা শন্দোকপদা অতোপ্পা স্পেসিসশিংনসু মতেং পাংবা অসিনি। কম্মন রাগৱীদ অসি সেক্সুএলি রিপ্রদ্যুস তৌই অদুনা পার্টনর অমগী মথৌ তাই। অদুবু মসিনা য়ুরোপ্তা শন্দোরল্লবা মতুংদদি মসিগা স্পেসিস মান্নবা পার্টনর নৎত্রবসু য়াম্না নক্নুনা মরী লৈনবা স্পেসিস পার্টনর অমগা পুল্লগা ‘হায়ব্রিদ’ শেম্বা ঙমখি হায়না মাইকেল মার্টিন্না ফোঙদোক্লি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি কম্মন রাগৱীদ অমনা মরূ (সীদ) শেম্নবগীদমক অতোপ্পা কম্মন রাগৱীদ অমগা ফর্টিলাইজেসন তৌদ্রবসু য়াই; নক্লবা স্পেসিস অমগা ফর্টিলাইজেসন তৌদুনা মহৌশাগী ওইবা থৌওংগী হায়ব্রিদ সীদশিং শেম্মী অমসুং ধারা শন্দোরকই। মসিনসু য়ুরোপ্পু খুদুম চল্লক্লবগী মরম অমা ওইখিবনি হায়রি।

কম্মন রাগৱীদনা য়ুরোপলোমদা শন্দোরকপা অসিনা খা-অমেরিকাদা থেংনরম্বা য়েক্লবশিংদগী ঙাকথোকচবসু ঙম্মী। মরমদি মফমদুদদি মখোয়বু বেক্টরিঅল পেথোজেনশিংনা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লি। য়ুরোপ্তুদি মফমদুগী বেক্টেরিয়ানা নাহনবা ঙমদ্রি। অদুনা রাগৱীদনা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এনর্জি শীজিন্নবগী চাংদগী চাওখৎপা অমসুং রিপ্রদক্সন্দা হেন্না শীজিন্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবসু লৈরি। মতৌ অসুম্না লান্দাশিল্লক্লিবা স্পেসিসশিং অসিগী মরমদা থিজিনবগী থবক অসি ইরমদম অসিদসু পাঙথোকপগী মথৌ তারব্রা হায়না খল্লি। ●

### ◇◇◇◇ এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ◇◇◇◇◇

## সুপর ১২গী মেটচশিং লোইখ্রে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা ওক্তোবর তাং ১৬তগী মালেমগী লৈবাক ১৬ না শরুক য়াদুনা আই সি সি টি ২০গী ৮শুবা মেন্স ৱর্ল্ড কপ ওস্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হৌজিক মায় পাক্না চথরিবা তুর্নামেন্তসিগী গ্রুপ এ অমসুং বিদা লৈবা টিমশিংনা সুপর ১২ চঙনবগীদমক গ্রুপ মেটচশিং শান্নবা লোইখ্রবা মতুংদা সুপর ১২গী মেটচশিং অদুসু অমুক ওক্তোবর তাং ২২ দগী শান্নবা হৌরক্লগা নবেম্বর তাং ৬ তা শান্নবা লোইশিনখ্রে।

অরোইবগী সুপর ১২ মেটচশিং অসি গ্রুপ ২গী তিমশিংনা শান্নরগা লোইশিনখিবনি। লোইশিনখিবা অদু সাউথ আফ্রিকা-নেদরলেন্দস, ইন্দিয়া-জিম্বাবৱে, পাকিস্তান-বাংলাদেশনা নোংমতদা শান্নরগা সুপর ১২ মেটচশিং শান্নবা লোইশিনখি। মদুদা ইন্দিয়ানা য়াম্না চাউনা মায় পাক্লগা গ্রুপ তু গী ৱিন্নর ওইদুনা সেমিফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

সুপর ১২গী গ্রুপ টুগী রন্নর্স ওইনবা পাকিস্তান্না বাংলাদেশপু ৱিকেত ৫দা ইকোম-কোম্না মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল চঙবা ঙমখি। পাকিস্তান অসি সেমিফাইনেল চঙবা ঙম্বগী ফীভম লৈরমদবদু সাউথ অফ্রিকা অমসুং নেদরলেন্দসকী অরোইবা শান্নবদা সাউথ আফ্রিকাবু নেদরলেন্দসনা মায়থিবা পীবদগী সেমিফাইনেল চঙনবগী লম্বী অমা লৈহল্লকখিবনি। অদুগা পাকিস্তান্না বাংলাদেশপু মায়থিবা পীরম্বদুনসু মরম ওইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখি। হৌজিক্তি তুর্নামেন্তসিগী ফাইনেলগীদমক পাকিস্তান্না সুপর ১২ গ্রুপ ৱানগী ৱিন্নর নিউ জিলেন্দগা অহানবা সেমিফাইনেল মেতচ নবেম্বর ৯দা সিদনি ক্রিকেত গ্রাওন্দ সিদনিদা শান্নগনি। নিউ জিলেন্দগা শান্নবা হায়বসি অরাইবা ওইরোই। হন্দক্তি নিউ জিলেন্দ থৱায় য়াওনা শান্নবা উই।

অনীশুবা সেমিফাইনেল মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা সুপর ১২গী গ্রুপ ১গী রন্নর্স-অপ ইংলেন্দগা নবেম্বর ১০দা সাউথ ওস্ট্রেলিয়াগী কেপিতেল সিতি অদলাইত্তা লৈবা অদলাইত ওবেল স্তেদিয়মদা শান্নগনি। হন্দক্তি ইন্দিয়ানা তুর্নামেন্ত অসিগী ওইনা টিম পূম্নমক্তগী পোইন্ত মশীং হেন্না ফংবা ঙল্লি। ইন্দিয়ানা সুপর ১২গী মেটচ ৫ শান্নবদা অমুকখক্তং মায়থিরগা পোইন্ত ৮ ফংলি। অদুগা নিউ জিলেন্দ অমসুং ইংলেন্দ তিম অনীনা মেটচ ৫-৫ শান্নবদা ৱিন্নর ৩-৩ ওইদুনা পোইন্ত ৭-৭ চপ মান্ননা ফংলি। পোইন্ত চপ মান্নরবসু টিম অনীসি নেত রন রেত (এন আর আর) দা য়েংনরগা গ্রুপকী ৱিন্নর-রন্নর্স খনখিবনি। অদুগা অশা মাঙলুরবা পাকিস্তান্দি মেটচ ৫ শান্নবদা অনীরক মায়থিরগা পোইন্ত ৬ ফংদুনা সুপর ১২ গ্রুপ তুগী রন্নর্স ওইনা লৈখি।

ক্রিকেত মশান্না অসিগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা অমা হায়রগদি বোল্লর অমনা লংলকপা বোলিং অদু বেটচমেন্না শান্নদুনা বাউন্দরি য়ৌহনবা নত্তগা বাউন্দরি অদুগী ৱাংমদা ফুল ওইনা তাহনবা ঙম্বদুনি। ফুল ওইনা তাহনবসিবু সিক্স রন হায়না খঙনৈ। সিক্স রনদগী হেনবা অচৌবা রন অমা লৈত্রে। করিগুম্বা মতমদা অম্পয়রনা নো বোলগী দিসিজন পীরক্লগা সিক্স রন লৌখ্রবদি রন অদুদা নো বোলগী রন অমা হাপচিল্লগা পূন্না রন তরেৎ অমুক্তদা ফংবসু য়াওই।

পনবা য়াবদি সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোকখিবা সেমিফাইনেল মেটস অমদা ইন্দিয়াগী লেফত হেন্দ বেটচমেন য়ুবরাজ সিংহনা বেত শান্নবদা পিটসতগী মিতর ১১৯ লান্না বোল তাহন্দুনা সিক্স রন লৌবা ঙমখিবা অদুনা আই সি সি টি২০গী ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না শাংবা সিক্স ওইরি।

তুর্নামেন্তসিগী লাইভ ব্রোদকাস্ত ওইনা ইন্দিয়াদা স্তার স্পোর্তস, দি দি স্পোর্তস অমসুং এ আই আর (ওল ইন্দিয়া রেদিও) গী এফ এম এম চেন্নেলশিং অমসুং পাউচেনচিংবদা শান্নবা খুদীংগী য়েংবা, তাবা অমসুং পাবা ফংহল্লি। তুর্নামেন্তসিগী ৱিন্নর প্রাইজসু মমাঙ চহীদা লুপা ক্রোর ১২ ওইরম্বদু হন্দক্তি লুপা ক্রোর ১৩ রোমদা হেনগৎখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু মণিপুর ক্রিকেত এসোসিএসন্দা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অসি কোচিং কেম্পতা শরুক য়াহল্লবদি মণিপুরগী ক্রিকেত কোচ ওইবা দোদ্দা গনেসনা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংসু য়াওবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হৌজিক চথরিবা তুর্নামেন্ত অসি নোংনা মরম ওইদুনা দি এল এস মেথত্তা শমজিনবা, পোইন্ত য়েন্নবা নত্তনা সুপর ১২গী মেটচশিংদি মায় পাক্না লোইশিনখ্রে।

অদোমগী – মোইরাংথেম দিনকান্তা, ফুবালা